Civil Services (Main) Examination, 2024 **PHKM–U–MNP**

# MANIPURI

## PAPER—I

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI

## PAPER—I

## (LITERATURE)

Time Allowed : Three Hours

Maximum Marks : 250


### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* লোন নৈনবগী লমদাংদা মণিপুরী লোন অসি করি মরমগীদমক তিবেতো-বর্মন লোন কাঙলুপকী মনুংদা থম্লরিবগী মরম অদু শন্দোক্লা ইরকউ।

*(b)* পরসেপসনগী খ্বাইদগী পীকপা ইউনিৎ অদু ফোনিমনি হায়বসি খূদম পীদুনা তাকউ।

*(c)* সন্ধি হায়রগা করিবু খঙবগে? সন্ধি মখল কয়ানো? মখোয় খুদিংগী খূদম অমমম পীয়ু। 4+6=10

*(d)* মণিপুরী লোন্দা উবা ফংলিবা ইম্পরেটিব সফিক্সশিং অদুগী মরমদা ইরকউ।

*(e)* মণিপুরী লোন্দা ইন্টরোগেটিব (অহংবা খঙনবা) করম্লা শেন্নগে হায়বদু খূদম পীদুনা ইরকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরীদা লৈবা রিলেতিপ ক্লোজগী মখলশিং অদু করি করিনো খঙহন্দুনা ইয়ু। 20

*(b)* কনসেপ্ট ওফ ফোনিম হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী ফোনিম মখলশিং অদু খূদম পীদুনা ইরকউ। 5+10=15

*(c)* কেস হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী কেস মার্করশিংগী মরমদা খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরকউ। 5+10=15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরী লোন্দা তোন মখল অসি কয়া লৈ হায়না লৌনবগে? মখলশিং অদু খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরকউ। 5+15=20

*(b)* এফিক্স কদাইবু কৌবগে? মণিপুরী লোন্দা উবা ফংলিবা এফিক্স মখলশিং অদু খূদমগা লোয়ননা ইরকউ। 5+10=15

*(c)* রুট কদাইবু কৌবগে? মণিপুরীদা উবা ফংলিবা রুটকী মরমদা খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরকউ। 5+10=15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* তেন্সকা অসপেক্কা খেন্নরিবসি করিনো? মণিপুরী লোন্দা ময়েক শেংনা উবা ফংলিবসি করম্নো হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ। 10+10=20

*(b)* কমপ্লেক্স সেন্টেন্সকা কমপাউন্দ সেন্টেন্সকা খেন্নবা মশক অদু খূদম পীদুনা শন্দোক্লা ইরকউ। 15

*(c)* নম্বর অমসুং পার্সন হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোন্দা লৈবা নম্বর অমসুং পার্সনগী মরমদা খূদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা ইরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিং ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

(a) অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক অসি ৱারেংদগী শৈরেংনা হান্না মকা ফোংলকই হায়বসি শন্দোক্লা নৈনদুনা ইরকউ।

(b) ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী তোপ-তোপ্পা মশকশিং অদু মরীক চুম্না শুগায়না ইরকউ।

(c) লাই হরাউবগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু মরীক চুম্না শন্দোক্লা ইরকউ।

(d) মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনীং লৌরুবদগী ওইরকপা সিনক্রেটিজমগী মশক অদু শন্দোক্লা মরীক চুম্না ইরকউ।

(e) মণিপুরী সমাজগী অঙাংশিং শেন্নবদা ফুঙ্গাৱারীনা কদাই ফাওবা মঙাল পীবা ঙম্নগে হায়বদু শন্দোক্লা ইরকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী খুনাইদা পাউরৌ অমসুং পাউখোঙগী মফম অসি কয়া য়াম্না চাউনা ফিদা কনবা ঙম্নগে হায়বদু ইরকউ। 20

(b) অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা অঙম্বা ফম্লাইবশিংনা ঙম্মী হায়না পংতৌ তৌরকপদা মীয়াম প্রজানা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুনা লান হৌরকপগী মশক অদু 'নুমিৎ কাপ্পা' লাইরিক্তা মীৎয়েং থম্লগা নৈনরকউ। 15

(c) মণিপুরদা জগোই রাস মতৌ করম্না হৌদোকখিবগে অমসুং চাউখৎলকখিবগে হায়বগী মতাংদা মরীক চুম্না নৈনদুনা ইরকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী সাহিত্যগী উপন্যাসকী খোঙচৎতা কমল, চাউবা অমসুং অঙাংহলগী খুদোলগী মরমদা শন্দোক্লা ইরকউ। 20

(b) মৈতৈশিংনা হিন্দু ধর্ম্মদা লাইনিং লৌদ্রিঙৈ মমাঙগী নাৎকী ওইবা চৎনরোল শক্তমশিং অদু ইরকউ। 15

(c) মণিপুরদা শগোল কাঙজে হৌরকপা, চাউখৎলকপা অমসুং শান্নবগী কাঙলোন অদু ইরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) অনৌবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙজেলদা 'দ্রামা'গী মফম কয়া য়াম্না চাউনা কনবা ঙম্লবগে হায়বদু নৈনরকউ। 20

(b) মণিপুরদা 'খোঙ কাঙজে' করম্বা মতমদগী শান্নরকই হায়না থাজনৈ? মশান্ন অসি শান্নবগী কাঙলোন অদু ইরকউ। 15

(c) মণিপুরী সাহিত্যদা 'ৱারেং' (এসে) হায়রিবা খৃৎই অসি মতৌ করম্না মকা ফোংলকখিবগে অমসুং খৃৎই অসিদা খ্বাইরাকপম চাউবগী করি খুদোল লৈবগে হায়বদু ইরকউ। 15

★★★